# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ খুজিল

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



মীয়াম্না খঙবীরম্লগনি কাক্‌য়েন-খুজিল হায়রিবা পাম্বী অসি, পাম্বী অসিগী মমিং কাক্‌য়েন-খুজিল কৌবগী মরমদি পাম্বী অসিগী মনা অদু হেক য়েংবদা লমলক্তা লৈবা কাক্‌য়েন হায়রিবা মমৈ য়াম্না শাংবা লময়েন মখল অসিগী খুজিল মানবদগী কৌখিবনি। কাক্‌য়েন পাম্বী অসি ইংলিসতা কর্সেদ বত্তরকপ (Cursed buttercup) নৎত্রগা পোইজনস বত্তরকপ (Poisonous buttercup) নৎত্রগা সেলেরি-লিভদ বত্তরকপ (Celery-leaved buttercup) নৎত্রগা ব্লিসটর বত্তরকপ (Blister buttercup) নৎত্রগা ৱাটর ক্রোফুট (Water crowfoot), হিন্দিদা জলধনিয়া (Jaldhaniya) নৎত্রগা শিম (Shim) নৎত্রগা এগলোন (Aglaon), সংস্কৃততা কন্দিরা (Kandira) নৎত্রগা সুকান্দা (Sukanda) নৎত্রগা কন্দা কাতুকা নাসা সামদেভানা (Kanda Katuka Nasa Samdevana), আরাবীক্তা কাবিকাজাজ (Kabikazaz), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *রেন্‌নকুলস স্কেলরেটস (Ranunculus scleratus Linn.)* হায়না কৌই অমসুং *রেন্‌নকুলেসী (Ranunculaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বীগী ইংলিসকী ওইবা মমিংদা ৱাটর ক্রোফুট হায়না কৌনবগী মরমদি পাম্বী অসি য়াম্না তোয়না ঈশিংদা হৌগনবা অমদি পাম্বী অসিগী মনা অসি হেক য়েংবদা ক্বাক (Crow) কী মখোঙ-খুজিল অদুগী মওং মানবদগী কৌনবনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী অসি অৱাং থংবা বিশুপরেখাগী লমদম অয়াম্বদা থোইদোক-হেন্দোক্না মরাং কায়না হাংজোংবা পাম্বী অমা ওইনা (Weed) হৌই। মালেমদা কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী অসি ভেরাইটি মখল অনী ফংই। মখোয়শিং অদুদি - (ক) Ranunculus scleratus var. multifidus অমসুং (খ) Ranunculus seleratus var. longissimus অসিনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বীগী মরূ নত্তনা মশা পূম্নমক্তা ইসেন্সিয়ল ওইল হায়না খঙনবা থাউ মখল অমা য়াওই। হায়রিবা থাউ অসিদা মীওইবগী মশাদা হাক্কৎচবা ঙম্বা অমদি থুপহনবা ঙম্বা (Irritant material) প্রোটোএনিমোনিন (Protoanemonine) অসি য়াওবগী মথক্তা সেরোতোনিন (Serotonin) হায়রিবা কম্পাউন্দ অসিসু য়াওই। সাসত্রীনা পীবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বীদা য়াওবা খ্বাইদগী মরুওইবা কম্পাউন্দ অসি এনিমোনিন (Anemonin) হায়না কৌই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বীগী মশা পূম্নমক্তা হূ চেল্লি। পাম্বী অসিগী মশাদা য়াওরিবা মপাঙ্গল কনবা মহী (Acrid juice) অসি মীওইবগী হকচাংদা থেংবা অমদি তৈবা মতমদা উনশা অদু ঈশিং হান্দুনা পোকখায়দুনা মফুৎ-মফুৎ হোহনবা (Cause blistering) ঙম্মী। মসিনা মরম ওইদুনা কাকয়েন-খুজিল পাম্বী অসি ইংলিসতা ব্লিসটর বত্তরকপ হায়না কৌনবগী মথক্তা পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক হূ চেনবা মরম্না পাম্বী অসিবু পোইজনস বত্তরকপ হায়বদি হূ চেনবা বত্তরকপ পাম্বী হায়নসু কৌনৈ।

কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক্তা হূ চেনজরবসু পাম্বী অসি ঈশিংদা ফুত্তোক্লবদি হূশিং অদু লৌথোকপা ঙম্মী। পাউদম খরগী মতুংইন্না কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বীগী মতোন অমসুং মনা অদু ঈশিংদা ফজনা ফুত্তোক্লগা মহী অদু লৌথোকখ্রবা মতুংদা থাওদা ঙৌদুনা নৎত্রগা অফুৎপা অদু য়াম্না হাওবা মথেল অমা ওইনা চানৈ। কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী অসি নুংশাদা ফজনা কংহল্লবসু পাম্বী অদুদা য়াওরিবা হূ অদু মাঙখি হায়বগী পাউদমসু লৈ। কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু মখল-মখা কয়াগী কোকফাই-শুজা (Fungus) হাৎপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ।




কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী অসি মীওইবনা অনা-লায়েংগী হীদাক-লাংথক ওইনা মখল-মখা কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। অশোক-অপন তৌদুনা য়াম্না কনবা চৈনা ফাওবদা কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বীগী অনৌবা মতোন অদু শুগাইরগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবসি অতেকপা হায়বদি ফ্রেস ওইনা শীজিন্নবীগনি মরমদি পাম্বী অসি মপূং ফানা কংখ্রবদি হীদাক্কী ওইবা মগুন অয়াম্বা মাঙখি।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না কাক্‌য়েন খুজিন পাম্বীগী মনা অমসুং মরা অদু চাং মান্ননা লৌরগা শুগাইদুনা শেম্বা অনংবা মমল অদুনা চাং নাইনা তৈবদা তাং চাউথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা রুমেটিজম হায়রিবা লায়না অসিদা থোইদোক্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী অসি য়াম্না লিরবা অনা-লায়েংদা অসুম্না শিংথানৈ মদুদি-সারা (Sara) - খোঙ হাম্বা য়াদবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা, দসতাভরানা (Dustavrana) - অশোক-অপন তৌবদা শীজিন্নবা, লুতা (Luta) - তীল-কাংনা চিকপদা শীজিন্নবগী থোইদোকপা মগুনশিং, গুলমা (Gulma) - অপোম-অতং তৌবদা শীজিন্নবা, প্লীহা (Pleeha) - স্পিলন হায়বদি পৈগী অনাবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা, মন্দাগনি (Mandagni) - চাবা তুমহনবদা থোইদোক্না মগুন লৈ অসিনচিংবশিং অসিনি।




পাউদমশিংগী মতুংইন্না কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বীগী মরূ অসি মীওইবগী হকচাং ফগৎহনবা টোনিক অমা ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা লোক থুংবা, হকচাং শোন্থবা অমসুং নুপাগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্বা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নৈ। কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী শুগাইদুনা ঈশিংদা নৈখায়দুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা নুপীগী থাগী খোঙকাপ য়াম্না লিকপা অদু পৌখৎহন্নবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী অসিদা মীওইবদা হুমাং (Sweating) থোকহনবা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই। চেকশিনবীগদবদি কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বীগী মহী অদু উনশাদা মতম শাংনা থেংলবদি নৎত্রগা তৈদুনা লৈরবদি উনশা অদু ঈশিং হানবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা য়াই। অখঙ-অহৈশিংনা পীবা পাউজেলগী মতুংইন্না কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বীগী মশা অয়াম্বা হূ চেনবা মরম্না পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবদা অখঙ-অহৈশিংগী পাউতাক মতুংইন্না শীজিন্নবীগনি। মরু ওইনা অঙাংশিং অমসুং মীরোনবী নুপীশিংনা কাক্‌য়েন-খুজিল পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবীরোইদৌবনি। খোমজিংলিবী মমাশিংনসু পাম্বী অসি শীজিন্নবদা অমাঙ-অতা কয়া লৈবগী পাউদমসু ঐখোয়না থেংনৈ। ●

# চৈরাওবনা করি, চৈথাবনা করি ওইরিবা

- থোংঙাম নব নুপা -

চৈরাওবা অমসুং চৈথাবা হায়বসিগী হৌরকফম নৈনদুনা য়েংসি। চৈরাওবা, চহী হৌবা হায়বসি কুম পাবগী অহৌবা নুমিৎপু খঙনরিবনি। কুম নৎত্রগা চহী হৌবসি 'ঈকোই' ০ অসিনা অহৌবনি। করিগীদমক কুম/চহী পাবা হৌখিবগে হায়রবদি তাইবঙপানসিদা লৈরিবা নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক, মালেম লৈমা কৌবসিদা লৈবাক, চীং, পাৎ, তুরেল, নাপী, উপাল-ৱাপাল, তীন-কাং, ঙা-শা, উচেক পূম্নমক লৈরক্লবা মতুংদা মীওইবা কৌবা শা মখল অসিদি অকোনবদা পোক্লকই হায়না থমজগে।

অকোনবদা পোক্লক্কদবা মীওইবা অসিগী মরী মখোঙ হৌরকপা মতম অসিবুনি কুম, চহী হৌবা, ঈকোই ০ অসিনি। কুমগী ৱাহন্থোক ওইবদি তাইবঙপানবু শেম্বীরিবা মপুনা ৱাখল লৌশিং (ক) + তৌদুনা খঙলক্লবা উরক্লবা (উ) + তাইবঙপান মহাক (ম) ওইবনে হায়বগী ক + উ + ম = কউম (কুম) হায়রিবনি। অসিদা মপুনা চানরবা (চা) + হৌরক্লবা (হৌ) + মীওইবা ওইরক্কদবা পোৎশক (ঈ) নি হায়বগী চা + (হৌ + ঈ) হি = চহী, কৌরিবনি। অমুক্কা তাইবঙপাল মপুনা মীওইবা কৌবা শা (ঈ) + অসিবু শেম্বী শাবী (কোই) হায়বগী ঈ + কোই = ঈকোই কৌবনি। মসি চৈশিং ঈয়েক্তা ০নি। ইংলিসতা 'জেরো' হায়। চৈশিং ঈয়েক ০ ঈকোই অসিবু ইরমদমগী অখঙ অহৈশিংনা 'ফুন' হায়বীবসিদি ৱাহন্থোক তাবা ঙমদে হায়না থমজগে।

খৃ: কুম ২০১৯গী জুলাই ২দা ইজখ্রবা মৈতৈ/মীতৈ, কনা-কনানোগী ৱারেংদা মীওইবা অচৌবা উচেক কাঙলূপ ৱাইনুদগী মীওইবা শমথরকপা মতমদা থা ১২গী মমিং থোনখিবা শল্লপ্পা ৱাহন্থোক পীজখ্রে। মসিদা শজিবু থাগী অহৌবা নুমিৎতো শগোলশেননি। থাজনা মালেমদা কোইনা চৎপগী খোঙচৎসু অহৌবা অমনি। মালেম্না নুমিৎতা কোয়না চৎপগী খোঙচৎসু অহৌবা অমনি। মালেম্না নুমিৎতা কোইববুনা চৈচৎ থা হায়না লৌরসি। থাজনা মালেমদা কোইববুনা থাপাল থা হায়না লৌরসি। কুম, চহী হৌবগীনা ঈকোই ০, খৃ: কুমগীনা খৃ: মমাঙ (বি সী) ৩৯৯৯৮৪২০গী মার্চ ৩১ ওই। শক্কাগীনা শক্কা মমাঙ (বি সী) ৩৯৯৯৮৪৯৮গী চৈত্রা থা ওইরি। পীজরিবা চহীসি কৌব্রুদগী ফংখিবা ঙাগী লুকং শরূ অদুগী চহী সাইন্টিষ্টশিংনা লেপ্পা চহী অদুনি। ঙাগী শরূ অদুগী চহীগা, মীওইবসিগা থংমু নাওমু ওইবা য়াই খন্দুনা পীজবনি। মীওইবগী অশেংবা চহীসু সাইন্টিষ্টশিংনা লেপ্পা ওইরসনো। ঙাগী লুকং শরূদো ইপা ইপু অরিবা মখোয়না মৈ শীজিন্নবা খঙদ্রিবঙৈ, ফী শীজিন্নদ্রিবঙৈ, ঙা ফাদুনা হিংনা চাবা, উহৈ চাদুনা হিংনবা থৌরাং তৌখিবনি। মখোয়না ঙা হিংনা চাবদা শরূ অকনবদি চাবা ঙমদবনা মদুনা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা হৌখিবনি। খূৎলায় অদু মখোয়না খুল থোকপদা পুখিবা মরম্না কৌব্রুদগী ফংখিবনি হায়না লৌজবনি। মখা তারপদি চৈচৎ থা ১গী অশাংবা মতম নুমিৎ ৩০, পুং ১০, মিনট ৩০ ওই (পীজরিবা পুংসি মালেমগী থাক্তা চৎনবা পুং মতমনি ইরমদমগী মতম পাবগী পুংশিং নত্তে, ইরমদমগীদি মীয়াম্না খূৎলোইবা ৱাৎকদবনা থমজদ্রে)।

থাপাল থা ১গী অশাংবা মতমনা নুমিৎ ২৯, পুং ১২, মিনট ৪৪, সেকেন্দ ২৫$\frac{২৫}{৪৭}$, ওইরি। চহীগী নুমিৎ মশীংনা ৩৬৫, পুং ৬না ওইরি। হৌজিক্তি ঐখোয়না মতম পাবগী, কুম পাবগী মতম খঙমিন্নরবনিনা তাইবঙ শেম্বা মপুনা চান্নবা (চা) + মীওইবগী মশক (ঈ) + কী য়াৱোন (লৈ) + গী থৌরাং (লাং) + ওইরকপা (ওইবা) হায়বগী চা + (ঈ + লৈ) ঐ + লাং + ওইবা = চাঐলাংওইবা, চৈলাওবা, হায়রেদো । চৈরাওবা হায়বসি কুম অমগী চৈচৎ থাগী অহৌবা নুমিৎ, খৃ: কুমদনা মার্চ ৩১, কুম খুদিংদা ওইরে। তৌইগুম্বসুং থাপাল থানা মতম খরা তেল্লি। ইপা ইপু অরিবশিংনা থাপাল থাগী খোঙচৎতা মীওইবা পোক্লকপগী মতম লৌবীরম্মী। মরমসিনা থাপাল থাগী খোঙচৎ খোঙথাং (থাং) + মপূং মরৈ ফাবা (চীং) হায়বগী থাং + চীং = থাচী (থাশি) হায়রেদো, শজিবু থা শগোলশেলনা হৌরগা, শগোলশেলন্দা থাশি ওই। (খৃ: কুম এপ্রিল ২৮), কালেন, ইরাইনা হৌরগা থাংজদা থাশি (খৃ: কুম মে ২৮) ইঙা, নোংমাইজিংনা হৌরগা নোংমাইজিংদা থাশি (খৃ: কুম জুন ২৬) ইঙেন, নিংথৌকাবনা হৌরগা লৈপাকপোকপদা থাশি (খৃ: কুম জুলাই ২৮) লাংবল য়ূমশকৈশনা হৌরগা য়ূমশকৈশদা থাশি (খৃ: কুম ওগষ্ট ২৪) লাংবল শগোলশেলনা হৌরগা ইরাইদা থাশি (খৃ: কুম সেপ্তেম্বর ২৩) মেরা থাংজনা হৌরগা থাংজদা থাশি (খৃ: কুম ওক্টোবর ২২) হিয়াঙ্গৈ নোংমাইজিংনা হৌরগা নিংথৌকাবা থাশি (খৃ: কুম নবেম্বর ২১) পোইনু লৈবাকপোকপনা হৌরগা লৈবাকপোকপদা থাশি (খৃ: কুম দিসেম্বর ২০) ৱাকচীং য়ূমশকৈশনা হৌরগা শগোলশেলন্দা থাশি (খৃ: কুম জুন ১৯) ফাইরেন ইরাইনা হৌরগা ইরাইদা থাশি (খৃ: কুম ফেব্রুৱারী ১৭) নুমিৎ অসিদা ৱাইনু খূৎপুগী, ৱাইনু লাবগী থৱায় ঈলিক (ঈ) + ৱাইনু অমোম্না পীবুক নুংদা ৱোল্লবা অমোমগী ঈগা পূল্লবা (পূন) + অদুগা মপূং মরৈ ফারবা (চীং) + মীওইবা ওইরক্লবা (ঈ) পোৎশক্কি হায়বগী ই + পূন + চীং + ঈ = ঈপুনচীংই (ইপুন্সি) হায়বা মরূমদো কোক্লে। লমতা থাগী অহৌবা থাংজদগী হৌনা মখোয় অনীগী ইপুনচীংঈ মরূমদো কোনবা হৌরে। অসিবু ৱাইনু মখোয়না মরূম শা অদু লোইনদুনা কোন্দুনা খাংই, মরূমদু মাঙখিদনবা লিন, শা কয়া ঙাকথোক্তুনা খাংই। থৌদোকসিবু কাউদনবা ইরমদমগী চৎনবী লাইনীং ওইনা শরোই খাংবা হায়দুনা লমতা অহৌবা থাংজদগী অরোইবা থাংজ ফাওবা শরোই খাঙবনি হায়না থমজগে।

লমতাগী থাশি নোংমাইজিং নুমিৎ (খৃ: কুম মার্চ ১৯) অহিংদা মরূম কোলকপদো খোঙথাং (থাঙ) + মপূং ফাবা (চীং) হায়বা থাঙ + চীং = থাচীং থাসিদো মরূমদো পোকখায়দুনা মীওইবগী মশক অমা ৱোল্লকলে, অসিবু তাইবঙ শেম্বা মপু (আ) + মানা হৌদোকপীরক্লবা (হৌ) + মীওইবা মশক (ঈ) + অসিবু ঙাকপী (ঙাক) শেনবীরক্লবনি হায়বগী আ + (হৌ + ঈ) হি + ঙাক = আহিং হায়রেদো। মীওইবা অসিগী নৱোং (নোং) + য়ারক্লবী (য়া) + মশক (ঈ) ওইরে হায়বগী নোং + য়া + ই = নোংয়াই, অসুম্না অহিং নোংয়াই অসিদগী মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎ শজিবু থাপাল থাগী ১, চৈচৎ থাগী লমতা চৈচৎ ২১, খৃ: কুম মার্চ ২০ অসিদা মীওইবগী মশক (ঈ) + মহাক (মা) + ওইরবী (ওই) + নু হায়বগী ঈ + মা + ওই + নু = ইমোইনু, কৌরবীদো ইমোইনু মহাক্কী মৱোং (মোং) + ওইরকপা (ওইবা) + অহানবা (হনবা) + মীওইবা (ঈ) + অসিবু খঙনা উনা (উ) + ওইরক্লবা মফমনি (ফম) হায়বগী মোং + ওইবা + হনবা + ঈ + উ + ফম = মোংবা হনবা ইউফম, হায়বা অসিদা ইমোইনু পোকই। ইমোইনু কৌরবীদু ৱাইনু মখোয়না (শা) + লোইনদুনা য়োক থাক্তুনা (লোই) + খাঙখিবনি (খাঙবা) হায়বগী শা + লোই + খাঙবা = শরোই খাঙবা হায়দুনা ইরমদমগী চৎনবী ওইনা কুম খুদিং চথুরক্লি।

তাইবঙ মপু (আ) + মানা মীওইবা (ঈ) + খঙনা উনা (উ) + ৱাখল লৌশিং (ক) তৌবীরকপনি হায়বগী আ + ই + উ + ক = অয়ুক হায়রে। ইমোইনু নৱোং (নোং) + ঙাকশেন্না (ঙাক) + থৌরাংবা (লাং) + ওইরবা (ওইবা) হায়বগী নোং + ঙা + লা + ওইবা = নোংঙালবা হায়রে। ইমোইনু (নু) + গী হৌরকফম মশক (মিৎ) + ওইরক্লে থোক্লকএ (থোকপা) হায়বগী নু + মিৎ + থোকপা = নুমিৎ থোকপা হায়। ইমোইনু (নু) + গী হৌরকফম মশক (মিৎ) + ওইবা মশক (ঈ) + বু খঙনা উনা (উ) + ঙাকপী (ঙাক) + শেন্নবীবদা মতেং পাংবীবনে (পাং) হায়বগী নু + মিৎ + ঈ + উ + ঙাক + পাং = নুমিৎঈউকপা (নুমিৎয়ুংবা) হায়। অসুম্না ইমোইনুগী মৱোং (নোং) + মরী মখোঙ থিনা (থি) + থৌরাংবা (লাং) ওইরে হায়বগী নোং + থি + লাং = নোংথিল কৌরে। ইমোইনু (নু) + হৌরকফম (মিৎ) + তশেং-তশেং ওইরবা তারবা (তাবা) হায়বগী নুমিৎ তাবা মহায়বনে। অহিং নোংয়াই, অয়ূক, নোংঙানবা, নুমিৎ থোকপা, নুমিৎয়ুংবা, নোংথিল নুমিৎ তাবা অসিনা ইমোইনু নৱোং (নোং) + মশক মহাক (মা) হায়বগী নোং + মা = নোংমা-নোংমা হৌখিবনা নুমিৎ ৭শুবদা চান্নবা (চা) + য়োক্লবা (য়োকৎ + থৌরাং (লোং) ওইরে হায়বগী চা + য়োক + লাং = চায়োল হায়না কৌএ, থা ১২না কুম, চহী অমা হৌরে 'কুমপী, কৌরে। মথং কুমসু (কাং) লক + অথোইবনে (লেন) হায়বগী 'কাংলেন, কৌরে, অহুমশুবা কুম ওইরকপদদি চৈচৎ থা অমসুং থাপাল থা অনীগী খোঙচৎতা থাপাল থানা মতম খরা তেনখিবনা থাচৎ ৩৪/৩৩গী মতমদা খোঙচৎ অমা হেক হেক পুথৈ, অসি থাপাল খোঙচৎ অমা ফুক্কৎতুনা (কুম) অসি + চাশন্নৈ (চা) হায়বগী কুম + চা = কুমজা হায়রি, ফুক্কৎ চীংখৎপা থাসি মমিং মান্নৈ অমনা 'থামাং' অমনা 'থাশেং' হায়না খঙনৈ। ইমোইনুনা চান্নবা (চা) + মীওইবা (ঈ) + গী য়াৱোন (লৈ) + ওইদুনা মালেম লৈমদা খোঙদাবা (থাবা) হায়বগী চা + (ঈ + লৈ) ঐ + থাবা = চাঐথাবা (চৈথাবা) ওইরে। মীওইবনা মালেমদা পোক্লকপা অসিবুনি।

থাপাল থাগী শজিবু ১, নুমিৎতা লৌরি। চৈরাওবা কুম অমগী অহৌবা নুমিৎ/চৈচৎ থাগী অহৌবা শজিবু ১/চৈরাওবা অমসুং চৈথাবা নুমিৎ মতমদা তাবসি চহী ১৯ কান্নরগা হেক হেক থোকই। অসিগুম্বা মতমদা চৈরাওবা, চৈথাবা, থৌদোক অমখক ওইনা লৌনবসি চুমদে। নুমিৎ পুনবগী ৱাফমনি থৌরাংদি তোঙান তোঙানবা মশকনি হায়না থমজগে।

অমরোমদা, নিংথৌরোলশিংগী ৱারীদা মৈদিংঙু কিয়াম্বনা মনাই অচানবা হিয়াংলোই কৌবা অমনা চৈথাবা হৌই হায়বা অসিসু ৱাহন্থোক নৈনসি:- খোৎচৈ নৎত্রগা খার্জৈ (মীগী লোন্দা কলম/পেন) অসিবুনি, খোৎচৈ (চৈ) + পায়দুনা চেদা ইশিন্দুনা থম্বা (থাবা) হায়বগী চৈ + থাবা = চৈথাবা হায়দুনা কুম মথং মথং পারকপনি, অসিবু ইরমদমগী অখঙ অহৈশিংনদি চৈ পায়দুনা চহী হৌরে হায়রম্বদগী চৈ অদু থাদোকখ্রবা মতমগা 'চৈ থাবা হায়বনি হায়না ৱাহন্থোক পুরি চুশিন্নবা খরা ৱাৎপা ওইরি। খোৎচৈনা ইশিন্দুনা মফম চানা থম্ববু 'থাবা' খুদম খোরক চারা হুল্লগা চারা অদু মফম চাবদা অমুক থম্ববু 'থাবা' হায়না খঙনবগুম মৈদিংঙুগী অচানবা মনাইগী মমিংদো মফম চারবা তুং কোয়না লৈহৌরগদবা মফমদা ইবিরম্ববুনি। হিয়াংলোইগা মমাঙদদি কুমবুদি পারগা অচানবা মনাইগী মমিংদি হাপ্লরমদে। অসিগী ৱাহন্থোকসিনা খুনুংলোনগী ৱাহন্থোক ওই। অসি নত্তবা মথক্কী ৱাহন্থোকশিংনা চীংউলোনগী ৱাহন্থোক ঙাক্তনি। চীংউলোনগী ৱাহন্থোক অমসুং খুনুংলোনগী ৱাহন্থোক অনীসি খেন্নবা খরা লৈ হায়বা ৱাফম থমজগে। মতাং অসিদা চৈরাওবা, চৈথাবগী মরমদি লোইজরে। ●

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।